ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, ওগষ্ট ১৭, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ১৩৮ শুবা মশীং


# অফস্পা লৌথোকপা

## *মতিং লৈবা চীফ মিনিষ্টর অমা মণিপুরদা মথৌ তাই*

***মণিপুরনা*** ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং ঐখোয়গী ওইরম্বা কবো ভেলি মণিপুরগা তৎনহনখিবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লাল হৌই হায়দুনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱর্স) এক্ট, ১৯৫৮ (অফস্পা) চলাইবা হৌখি। চহী খরগী তুংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং কোনশিন্দুনা মণিপুর পুম্বদা অফস্পা চৎনহনবা হৌখি। ষ্টেট অসিদা অফস্পা চলাইবগী মতিক ময়ায় পীরিবসি মতম মতমগী মণিপুরগী লৈঙাক পায়খিবশিংননি। লৈঙাক পায়খিবশিং অদুনা ষ্টেট অসিগী মফম পূম্নমক্তা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থম্বদা অয়াবা পীবা অমসুং চহী খূদিংগী শাংদোক্তুনা লাকপদগী ঙসি ফাওবা অফস্পাগী চৈথেং মীয়ামদা ফংহল্লিবনি। বামোন কম্পুদগী থাংজম মনোরামা কৌবী নুপী অমা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখ্রবা মতুং গেং রেপ তৌরগা হাৎখিবা থৌদোক অদুদগী হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমসুং মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা নুপী কয়ামরুমনা কংলাগী নোংচুপ থংনা সনাথোঙদা ফি থোংদবা প্রোটেষ্ট চখিবনা মরম ওইরগা কংলাদগী অসাম রাইফলস লৌথোকখিবা অমসুং মণিপুরগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখিবনি। দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখিবদগী হায়রিবা মফম অসিদগী অফস্পা চৎনখিদে। মতাং অসিৱাইদা ঐখোয়না কাওরোইদবা অমদি ইরোম শর্মিলা চনুনা এক্ট অসি লৌথোক্নবা চরা হেনবগী মথক্তা নহা ওইরিবা পেবম চিত্তরঞ্জন কৌবা মীওই অমনা অফস্পা লৌথোক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ ওগষ্ট ১৫দা মশা মথন্তা মৈ থাজখি। পুলিস অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা বিষ্ণুপুর কৈথেলদা পুংয়োম য়োমদুনা লৈরবসু অথৌবা চিত্তরঞ্জন মশা মথন্তা মচি অমদগী মৈ থাজরগা লম্বী ময়াইদা চেন্থোরকখি। মহাকপু কন্নবা হোৎনবদা অরেম্বা তাখি। মথংগী নুমিৎ ওগষ্ট ১৬তা মহাক লৈখিদে। অফস্পা লৌথোক্নবা দিমান্দদা মণিপুরদা লৈবা মীয়াম্না তৌবা য়াবা খূদিংমক তৌখ্রে। ৱায়েলশঙদা ৱাকৎখি। মদুসু মায় পাকখিদে। মীয়াম্না প্রোটেষ্ট রেল্লি কয়া চৎখ্রে, মদুসু তাবিখিদে। অদুবু ঙসি ফাওবা লৌথোকপা ঙমদনা লৈরি।

মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌনা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকপা ঙল্লগা মতিং লৈবা চীফ মিনিষ্টর অমনা মীয়াম্না য়াদ্রবা অফস্পাবু মণিপুরদগী লৌথোকপা ঙমগনি হায়বসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা খুদম ওইনা উৎখ্রবনি। মতমদুদা সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা ফনা য়াম্না কন্না চীফ মিনিষ্টরদা অফস্পা লৌথোক্নবগী ফিরেপ লৌগনু হায়না কয়ারক হন্না খঙহল্লকপা লৈখি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থোক্লগদবা খূদিংমক চপ চানা মায়োক্লরগে হায়বা খন্দুনা আই এম সীগী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখি অমসুং মতমদুগী সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা করিসু তৌবা ঙমখিদে। মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফমদি থৌবাল কৈথেল মনাক্তা বি জে পি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওফিস হাংদোকপগী থৌরমদা বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লেজিসলেচর পার্টিগী লূচিংবা খুমুকচম জয়কিষণনা বি জে পিনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রবদি অফস্পা লৌথোক্কনি হায়রিবসি খন্নবা য়াবা ৱাফম অমা ওইরি। দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থম্বা অমদি লৌথোকপা ঙমই। লালহৌবগী ঈরাং লাকশিন্নবা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটসকী মরুম থুপ্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদগী পেরা মিলিটরি ফোর্স অমসুং লান্মী কৌথোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্লা থম্বা অমসুং লৌথোকপা ঙম্বগী মতিক ময়ায় অসি করিগীদমক্তা শীজিন্নদ্রিবনো হায়বগী ৱাফম অমা নৈনবদা মণিপুরদা ঈরাং লৈরি হায়না কনাগুম্বা খরনদি শোয়দনা হায়রক্কনি। মণিপুরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোকখ্রবা তুংদা লান্মী নৎত্রগা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমত্তনা গ্রেটর ইম্ফালদা লৈরিবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংদা মনীং তৌনা ওপরেসন তৌবা নৎত্রগা মী ফাবগী থবক তৌবা উখিদ্রে। খুদম ওইনা হায়রবা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা লান্মী নৎত্রগা এ আরগী পার্সনেল লাকখিদবা চহী ৪/৫ ফাজিল্লক্লে। মসিনা তাক্লিবদি গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর লৈরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট খরদদি মণিপুর পুলিসনা চপ চানা লালহৌবা লাকশিন্নবগী মতিক ময়ায় লৈরে। অসিগুম্বা মফমদা অফস্পা লৌথোকপা হায়বসি অরুবা ওইদ্রে। মরম অদুনা বি জে পিগী এম এল এ জয়কিষণনা হায়রিবা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা তাশিনগদবনি অমসুং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি।

## ••• *এডিটরদা থারকপা চিঠি* •••

# নুপীসি খুন্নাইগী শকয়েং মিংশেলনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***ঙসিগী*** খুন্নাইসিদা হিংনবগী মরু ওইরবা লানফমসিদা নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংথিবা অসি করিদগীনো হায়রবদি নুপাশিংনা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবীবদগীনি হায়না লৌবসু য়াই।

ঙসিগী খুন্নাইসিগী নুপীশিংবু খুন্নাইসিগী শকয়েং মিংশেলনি হায়বগী ৱাখল্লোনশিং অসি নাথৈরকপা কয়াশিংনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা ঙসি ঐখোয়গী মরক্তা নুপীশিংদা চথবা ক্রাইমশিং মালেমসিদা মশীং থিঙমদনা থোকখ্রে। খুদিংমকশিং অসি ইশা ইশানা মতম চানা থিংহৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি ঙসিগী থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসিদগী হেন্না থোরকপসু য়াই।

ঙসিগী মালেমসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং তাঙ্কক কয়ারক থোক্লা নৈনবা য়াই। ইমুং মনুংগী অহল-লমন অমদি মৱা-মপুরোইবগী সেবা তৌনবা হোৎনবা নুপী খুদিংমক্কী থৌদাংনি। মতম পূম্নমক্তসু হোৎনদুনসু লাক্লি। অদুবু নুপীশিংনা মচা মশুশিং য়াওরকপা তাঞ্জাশিংদদি অচৌবা থৌদাং অমা হাপচিল্লক্তুনা নুপীশিংদা হেন্না মথৌ চিলহনবা থোক্তবা নত্তে।

শম্না হায়রবদা নুপামচা য়োকপগী থৌদাংসি মচাদুনা চাওরবা মহৈ-মশীন তম্বা য়ারকপা মতাংদা ওই। অদুগা মমানদি ঈ মতুমদগী মহৈ-মশীন তম্বা ঙমদ্রিঙৈগী তাঞ্জাসিনা মমাখক্তগী থৌদাং ওইদুনা লাক্লি। মপূং ওইনা মচা মশুশিং শেম্বদা মমা ওইবীশিংনা মপা ওইবশিংদগী হেন্না থৌদাং লৌই হায়বসি অশেংবনি। ঙসিগী হিংনবগী লানফমদা নুপীশিংনা মচা মশুশিং থাক্লবা হোৎনবদা খুদোংথিবা নংলিবা নুপী খুন্নাইগী অখন্নবা স্কিল অমা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থম্বীদুনা নুপীশিংদা চথবা ক্রাইম, থৌদোক-ৱাথোক হন্থনবা থবক লৌখৎপীয়ু।

*অদোমগী - শগোলশেম জিনা (বেবে)*

*উয়ুমপোক*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮


১। 'অচাইবা লৈ' করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২। 'ইচে' শৈরেং ইবদা মমিং লৈখিবা কবিদু কনানো?

৩। ঙসি ফাওবদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা নুপী অইবী কয়া শুরবগে?

৪। 'হয়ৱদন' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ঈপুদা ইজবা চেবাউ ২০১৬ - ৩

### চাইথোরকপা ৱাখল

### নরেন্দ্র নিঙোম্বা

*নুংশিজরবা ইপুখোই,*

ইপুখোই ঙরাংগী থৌরমদুবু কমদৌবিবগে? ধুপ খরা থারগা, লৈ খরা ইপুহোইগী ফোটোদা চাইশিল্লগা, হৈ-রা খরা কৎলগা, ৱাচোই খরা খরা ঙাঙনরগা লোইখ্রমাল্লেনে। ইপুহোইদা কৎলিবা ধুপতুসু মনমগা নুংশিবা ওইরম্মোই। মমল তাঙবা মনমগা য়াম্না নুংশিবদি শেল য়াম চঙই হায়দনা অহোংবা মীৎকা থুপ্পা মৈখু খুবা ধুপ মচৈ অমা-অনী থারমগনি। ধুপ লৈবগী শেলফাও খপতৎনরিবনেমি ইপু। পুকচেল শেংবৈ মতৌ মালহনবনি লোইনমক হুরানবা ঙাক্তনি। ধুপকী শেল লুপা অসুক কায়না তাবদা কির কিরবা হিসাবতি লৈরমগনি, থারিবা ধুপনা নমথিবা। চুমদ্রা ইপু। ইপুহোইগী নুমিৎতুদা অনৌবা ৱাশক অমা লৌরগা, ইপুহোইগী ঙমখৈ কায়হল্লোই, ইপুহোইগী নরমদমসিদা অৱা অনা তাহল্লোই, করিগুম্বা অদুগুম্বা মওং অমা লাক্লবদি ঐগী থৱায়সিসু লৈবাক মীয়ামগীদমক কৎকনি হায়না লৈবাক্কী লুচিংবশিং অসিনা ৱাশকপগদি ইপুহোই তাবিরমদৌ মান্দে। হায়বুদি মচিন্থোক-মখাথোক পংঙাঙ ঙাঙলমগনি, চৎনবা য়াবা ৱাদি অমত্তা হায়রম্মোইদা ইপু। সিনি লৈবাকসিদা তৌরিসে। ইপুহোইগী পুন্সি ৱারী খরা চাওরাক্লা মীনা লীবদগী তারগা অফাও শাদুনা পংঙাঙ ঙাঙশিন্নরগা অখঙবগা শারগা লোইশিল্লম্মনিদা। মসি চহী লিশাং শিৎনা তৌদুনা লাক্লবা ঙাক্তনি।

ঙমখৈগী মতাংদা শুক শাংলবা মতমসি ৱাথোক ওইদুনা লাক্লিবসি ঐখোয় শ্বাইগী লুচিংবশিংনা শ্বাইগী মিটিংদা, মিদিয়াদা করিদা পংহাই হায়বৈ ৱানি, য়ারোই হায়না মতিং থোক্লা কৈমতা হেক তৌদে। লাইনদি য়ারোই, ওল পোলিটিকেল পার্টি গাইনা পুনশিল্লগা দিল্লিদগা চৎতনা ৱা অমা অনীগা হায়রুবদি তাখ্রে। মদু ৱা ওইনা লৌবিরক্ত্রে। ৱা ওইনা লৌরদি, নোইসু লাকও শানরিবা ৱারীসি সিনি, সি মতাংসিদা নোইনা করি হায়নীংবা, করি খন্নবা-গাইনা নোংমতা হঙক্ত্রবনেমি ইপু। অদুদি লাইরদনা খন্নরিবা ৱাফমদু কৈনো হায়বা ঐখোয় শ্বাইদা কনামতা খঙনদে। চাওরাক্লা ৱাখলনা শারগা পংহাই হায়বা নত্তনা। অদো ইপু, মণিপুরদা লৈবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদদি শান্নরিবা ৱারীসি সিনি, সি ফাওদি য়ারে, সিমদি য়েৎনরি, য়ানবা হায়নরি গাইনা লোইনা খঙই হায়রিনে ইপু। সিসু ঙকচদ্রো। পোলিটিকেল পার্টি লুচিংবশিংনা হায়রম্মিবশিংদু তাবজাৎ নত্তেমি। তাদ্রে খঙলদি করিগী তাদ্রিনো, ঐখোয়সু নখোয়গী লমসিদা তিল্লিবা লৈবাক অমনি, ষ্টেট অমনি গাইনা মখৌ পোংনা কনানা করি হায়খ্রগেবা, কনামতা হায়বজাৎ নত্তেমি, ইপু, শ্বাইদা মিদিয়াদা করিদা পংহাই হায়বৈ ৱানি। অদুসু নেসনল মিদিয়া য়ৌবা জাৎ নত্তে। অদুগদি তৌসারিবা অশ্বাইফাওগা চৎপসি থানা-ও-করি-ও পুময়োম য়োমদনা নোংমৈ পায়বা ময়ামদুনা মাঙ তুঙ কোয়রগা চৎচশারিয়ে। লম্বীদগসি নুপী অঙাং, অশোন-অনা, হনু-হনা ময়াম অমা চৎলিদু মোই লাকপদা লাউবগা খোঙবগা তৌদনা ময়ামসি লম্বী মতাইদা চেন্থোক্তনা খাঙলগা মোইনা অনানবা কারদা দুউউউ থৌদনা উফুল ৱাইফুলনা মীৎ হেক পাঙবা ঙমদখৈ থৌরগা চৎচশারিয়ে। মোইনদি খঙজদবা, তুংদা মোইগী মরমদা হায়নহৌরিবা ময়ামসিদি ইপু হোইসু তাবিরম্মনি, লোইরেনে, লোইরেদি হায়হৈদে লোইদি লোইরে।

হৌখিবা ওগষ্টকী ৩ দুদা ৱারী মখা চথনবা খূৎয়েক পীনখিবনি, চহী ফাবগী মণিপুরগী মনুংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা চাওনা মায় পাকপগী থৌরমগা পাঙথোকখ্রে। মোইনা তাল্লিবা দিমান্দশিংদু ফংলে হায়না ধুম-ধাম তৌদুনা ৱারী শান্নরিবা কাঙবুগী মিনিষ্টরগা থোরক্তনা ৱাগা ঙাঙলদনা য়াম তৌখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা মদু খঙনা খঙনা কৈমতা তৌবা ঙমদে। মণিপুরদা মপা মপুগী হাক্তক্তগী পোকপা চাওরকপা, মণিপুরগী চীঙ্গাক্তনা হিংলকপা, মণিপুরগী শেলনা নুংঙাই য়াইফনা হিংজরিবা কয়া অমনা থংনবা ষ্টেটকীদমক অসুক শিবা কিদনা থৱায় য়াওনা নীঙ্গি তাখৎতনা হোৎনরিবসি লোইনমক খঙনা কনামত্তনা কৈমতা হায়দে। কৈসু কি মথিসু কি হায়দুনি ইপু তৌরিসে।


আই এল পি এসকী মতাংদসু বিল অনৌবা অমা শেল্লগা এসেমব্লিদা পুথোক্কনি হায়বা তাই। বিলদু কনা কনানা তান্নরগা শেল্লিবনো মদুদি হায়দোক্তে। হৌখিবগীদুদা ত্রাইবেলগী ইন্টরেষ্ট শোকই হায়বা ৱাফম লাকপদগী অচৌবা ঈহৌ লৈরিবনি। হৌজিক মদুগী মতাংদা কনা কনা অখঙ অহৈশিং তানরিবনো খঙদে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুথোকপা এসেমব্লিদা পাস তৌরবা বিল অমা থাগৎপদা য়ারক্তেগাইনা হায়বসি গভর্ণমেন্ট অসিগী চাউনা মায়থীবনি। হঞ্জিন হঞ্জিন অসুমাইনা মায়থীবসি ইকায়নীংঙাইনি। অদুনা কমাইনা শেম্মীবনো ইরিবনো, রাইটরনা কনানো খঙদা বিল অমবুদি হৌজিক কন্না দ্রাফ্ট তৌরে হায়না তারিবসি মীয়ামদা সিনি সিনি হায়না হান্না খঙহন্দুনা খন্নরগা তৌবগদি হৌজিক ফাওদি থেংনদ্রি ইপু। মসিনা কমদৌদৌরিবনো খঙদে। মসিগী ৱাসিসু হৌজিক মৈ চুরগা হৌগদবগী ঙাই লৈরিবনি। অফবা অমা ওইরকপদি ওইসনু ইপু।

ওলেম্পিক্তা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা রিওদা শরুক য়ারি। মখোয়না চৎলমদাইদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কৈমতা লাউথোকখিদে। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী শান্নরোয়শিংগীদমক মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্লা মখোয়দা মথৌনা হাপ্পা ওইনা য়াম লাউথোকই। ঐখোয়গীদি মখোয়না রিও য়ৌখ্রবা মতুংদা লাউবুদি লাউথোকই। মখোয় মশা তাজরগা চৎপা ওইরদি ময়ূমদগী লাইনিংথৌ খুরুমজরগা লৈঙাক্কী থৌজালদু মকোক্তা হাপচরগা চৎচবা ফংলম্লবদি কয়া নুংঙাইগদবনো। লুহোংলমদাইদা বর মাঙখ্রে বর মাঙখ্রে হায়না তৌরগা ধোন বেন্দ থিন্দুনা খোঙলকান্দা কাচিন অমদা মকোই কক লৈরম্মী হায়দুনি তৌরিসি ইপু।


ইপুখোই নুংশিজরবা, মণিপুরদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা শিনফমদা শিনশু শিন্থারিবা পূম্নমকশিংসি পুকচেল কয়া শেংনদে। তৌদৌবা মথৌ লৈথোক্লগা মরন্নাইগী থবক তৌবনা হেন্না খোইজংনৈ। লৈঙাক্কী থবক তৌবা ময়াম অমা অচৌবা ঠিকাদার ওল্লি। মদৈ হেন্দোক্তুনা মখোয় মখোয়গী খঙনা চান্নবা পূম্নমক ঠিকাদার, সপ্লাইয়র ওইনা ওল্লে। কনাগুম্বা থিকা তৌজগে গাইনা থোরকপা মী অমত্তা থিকা মচা অমা তৌবা ঙমদে। তৌগে হায়রদি মখোয়গী নক্লবা মী ওইবা তাবা। এম এল এ মিনিষ্টরশিংসু থিকা অনৌ অনৌবা ময়াম অমা পুথোরকই। মপুন্সিগী ঠিকাদার বনান তৌবা হৈতবা ফাওবা ঠিকা তৌহল্লি। হায়দি হায়নিংদ্রে। মীয়াম্না শকখঙ-মায়খঙনরবা সেলেব্রিটিশিং ফাওবা ঠিকা তৌহল্লি। নুংঙাইখ্রবা লমনি। ডাক্তরশিংসু অদু মঙাই, নন প্রেক্টিস এলাৱেন্স ফংলিবা মখোয় লোইনমক লন্নাই হোস্পিটালদা নৎত্রগা ময়ূমদা অনাবা কোকথোং অমা য়েংই। শেল য়াম চাওনা চাওনা লৌই। ডাক্তর অমদি মীয়ামগী মরক্তা থাজনদবা লৈরক্লিবসি কুইরে। মসি কনানা কমাইনা শাগৎলকপনো হায়বগী শাংলবা ৱারী লৈখ্রে। লোইনমক হায়বা মতাং চাদে। হন্দক রিমস হোস্পিটাল হায়দনা লম্ফেলদা লৈবা অনা লায়েংশঙদো ইপু অদুদসু অচৌবা ৱাথোক অনী নন্দুনা লৈরি। অনাবা শিবদগী থোরকপনি। ডাক্তরনা হায়বা, অনাবা পার্টিনা হায়বা অমত্তা মান্নদে। অহায় অহায়বা চুম্নে। পুলিসকা মীয়ামগগী মরক্তসু থাজনবা ৱাৎলি। মীয়াম্না ফৎত্রিরা, পুলিসনা ফৎত্রিরা হায়বা ঙম্বা জাৎ নত্তে। পুলিস লাকপদা ময়াম কায় কায়দুনা চেল্লি। মখোয়গী থবক্তা কয়া খোইজংনদে। মসিগী মরমসু লৈরমগনি। অদুবু অমত্তা সেগা মাইগা পাউ ফাওদোক্লবগী থবক্তি তৌদে। থাজনদবা মরক্তা করম্না অফবা পুরকপা ঙমগনি। লুখ্রবা ৱানি ইপুখোই। হোই য়েংবা হায়দুনি, করম্বা মতম অমা লাক্লগা ময়ামসি ৱাখল লৌশিং তানদনা অফবা খুন্নাই অমা পুরকপা হায়বদু, ঐমক্তি কয়া থাজদ্রে। মীরোল সিমা মকু হেক খোক্তুনা অনৌবা অশেংবা মীরোল অমা লাক্তিফাও ৱাথিদি খরা তানখিবা তারিমাল্লে ইপু।

*পাঙজদ্রবা নশু অমা*

# মীওইবগী থোপ্পু লেবোরেটরিদা হৌহন্দুনা থোপকী অনাবশিং লায়েংবা




ব্রেইনগী তোঙান-তোঙানবা পাটশিং তাকপা লাইয়েক




ম্যেলিননা এক্সোনবু ইন্সুলেসন তৌবগী মওং তাকপা



সিঙ্গাপুরগী সাইন্টিষ্টশিংনা লেবতা হৌহল্লবা মিদব্রেইনবু পেত্রিদিশতা হাপতুনা থম্বা

### সাইন্সকী খোঙচৎ

### কুঞ্জো নাওরেম

**মীওইবগী** থোপ (ব্রেইন) তা নাবা অনাবা কয়ামুক লৈ। থোপকী ষ্ট্রকচরসি য়াম্না কমপ্লেক্স ওইবনা মসিবু শেমগৎলকপদা, মসিদা নারিবা অনাবশিং অমদি লায়েংবগী মরমদা নৈনবদা খুদোংচাবা কয়ামুক থোকই। উচিগুম্বা জীবশিংগী থোপ্তা পাঙথোকপা মায় পাক্লবা চাংয়েংশিং মীওইবদা চাং য়েংবদা মায় পাক্তবসু থেংনৈ। মসিগী মরমদি উচিশিংগী থোপকী ষ্ট্রকচরদি অদুক হাক্লা কমপ্লেক্স ওইদে অদুগা মীগী থোপকা খেন্নবা কয়ামুকসু লৈ। অদুনা মীওইবগী থোপকী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙদোক্তুনা অনাবশিং লায়েংবদা হেন্না মায় পাক্লবগীদমক খূৎশেমগী পান্থৈনা মীওইবগী থোপপু লেবোরেটরিদা হৌহনবগী মথৌ তারকখি। হীরমসিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লরকখি। মসিগী মহয় ওইনা খূৎশেমগী অপীকপা থোপ কয়া লেবোরেটরিদা হৌহনবা ঙল্লকখি। মখোয়গী মরক্তগী অহুমখক্তং লৌখৎচরি।

প্লুরিপোটেন্ট ষ্টেম সেল (পি এস সি) হায়রগা এম্ব্রিওনিক ষ্টেম সেলশিংবু খঙনৈ। এম্ব্রিওনিক ষ্টেম সেলসি করিনো হায়রগদি ঐখোয়না য়েরুম্বু খুদম ওইনা পীবা য়াই। মরমদি য়েনাও অমদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা ওর্গান পূম্নমক্কী সেল খুদিংমক য়েরুমদগী শেমগৎলকপা ঙম্মী। হায়বদি য়েরুমদগী য়েনাওগী মমিৎ, থম্মোয়, থবোম্বী, থিবোং-মরিল, চাকখাউনচিংবা ওর্গানশিং শেমগৎলকপা ঙম্মী। মসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংনি। মহৌশাগী ওইবা থৌওংসিগী মতৌ তম্লগা খঙ-হৈরবা থিজিল্লোয়শিংনা জীনশিংদা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা উনশাগুম্বা এম্ব্রিওনিক ওইদবা সেলশিংদগী ষ্টেম সেলশিং শেমগৎপদা মায় পাকখ্রে। অসুম্না এম্ব্রিওনিক ওইদবা সেলশিংদগী শেমগৎলকপা ষ্টেম সেলশিংবু 'ইন্দ্যুজ প্লুরিপোটেন্ট ষ্টেম (আই পি এস) সেল হায়রগা খঙনৈ।

কুমজা ২০১৩ দা ওষ্ট্রিয়ন একাদেমিক ওফ সাইন্সেসকী ইনষ্টিট্যুট ওফ মোলিক্যুলর বাইওটেক্নালোজিগী সাইন্টিষ্টশিংনা থ্রি-দি কলচর সিষ্টেম অমদা য়াম্না পীকপা মীওইবগী থোপ অমা হৌহনবা ঙমখি। থিজিল্লোয়শিংনা অহানবা চাংয়েংদা ন্যুরোইক্টোদর্ম শেমগৎনবা হোৎনখি। ন্যুরোইক্টোদর্ম হায়বসি ইম্ব্রাইওনিক ইক্টোদর্মগী ময়ায় থংবা শরুক অদুবু খঙনৈ। মসিদগী মপূং ফাবা থোপ অমা শেমগৎলকপা ঙম্মী। খূৎশেমগী পান্থৈনা শেমগৎলবা ন্যুরোইক্টোদর্মশিংবু থ্রি-দি কলচরদা হাপ্লবা তুংদা টিশ্যুশিং শেমগৎলকপদা মথৌ তাবা ন্যুট্রিএন্টশিং য়াওরবা স্পেসিফিক ওইবা জেলগী দ্রোপ্লেটশিংদা হাপচিল্লি। ন্যুট্রিএন্টশিং ফজনা চুপশিনবা ঙম্নবগীদমক জেলগী দ্রোপ্লেটশিংদু অমুক উংদুনা লৈবা বাইওরিএক্টর অমদা থম্মী। নুমিৎ ১৫-২০ নিগী মনুংদা 'সেরেব্রেল ওর্গানোইদ' শেল্লকই। নুমিৎ ২০-৩০ গী মনুংদা সেরেব্রেল কোর্টেক্স, মেনিঞ্জিজ অমদি কোরোইদ প্লেক্সসনচিংবা থোপকী শরুকশিং শেমগৎলকখি। থা অনীগী মতুংদা থোপসিগী চাউবগী চাং মপূং ফারকখি। অপীকপা খূৎশেমগী থোপ (মিনি ব্রেইন) সি বাইওরিএক্টরসিদা থা তরা ফাওবা হিংদুনা লৈরম্মী। মসিগী মখা তানা হিংদুনা লৈবা ঙমখিদ্রিবগী মরমদি থোপতুগী মনুংদা সার্কুলেসন সিষ্টেম, ন্যুট্রিএন্ট অমদি ওক্সিজেন ৱাৎপদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি। মখোয়গী থোপসিনা নোংমদি ন্যুরোদিজনেরেটিভ দিজিজশিং লায়েংবদা মতেং পাঙলক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

Dr. Jurgen Knoblich না লুচিংদুনা থিজিনখিবা অসিনা মাইক্রোসেফালিগী জীনেতিক দিসওর্দরগী অনাবা লৈরবা অঙাংশিংবু লায়েংবদা মতেং পাঙলগনি হায়রি। দিসওর্দরসি লৈরবা অঙাংশিংনা পোল্লকপা মতমদা মখোয়গী থোপকী চাউবগী চাংসি য়াম্না হন্থে। মসি অঙাংদুনা মমাগী পিবুকনুংদা লৈরিঙৈদা থোপকী চাওবগী চাং থিন্থবা নৎত্রগা পোল্লবা তুংদা থোপকী চাওবগী চাং লেপখিবদগী ওইবা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মত পীরি। থিজিল্লোয়শিংনা মাইক্রোসেফালিগী অনাবা লৈরবা অঙাংগী উনশাগী টিস্যুদগী আই পি এস সেলশিং শেমগৎতুনা মিনি ব্রেইনশিং হৌহনবা ঙমখি। থিজিনবা অসিনা অনাবসিবু লায়েংবদা নত্তনা হীদাক লাংথক শুংবগী ইন্দষ্ট্রিদসু কান্নবা পীরগনি হায়না থিজিনবা অসিদা শরুক য়াখিবা Dr. Madeline A. Lancaster না ফোঙদোক্লি। থোপ অমদি নর্ভশিংগী দিসওর্দরশিংদা কেমিকেলশিংনা করি কান্নবা পীবগে হায়বগী মতাংদা নৈনবদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙল্লগনি।

চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৩ দা পাঙথোকখিবা 'অমেরিকান এসোসিএসন ফোর দ এদভান্সমেন্ট ওফ সাইন্স কনফরেন্স'তা ফোঙদোকখ্রবা থিজিন চেরোল অমগী মতুং ইন্না জোন্স হোপকিন্স ব্লুম্বর্গ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্ঠকী থিজিল্লোয়শিংনা মীওইবগী থোপকী সেল অমদি ন্যুরোনশিং য়াওবা য়াম্না পীকপা থোপ শেমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। থিজিনবা অসিদা ব্লুম্বর্গ স্কুলগী প্রোফেসর টোমাস হারটুংনা লুচিংখি। মখোয়না অনাবা লৈতবা নহাশিংগী উনশাদগী লৌরগা সেলশিংবু খূৎশেমগী পান্থৈনা আই পি এস সেলশিংদা ওন্থোক্তুনা য়াম্না পীকপা থোপশিংসি শেমগৎলকখিবনি। অসুম্না শেমগৎলক্লিবা মতুম তাবা থোপ অমগী দাইএমিটরসি মাইক্রোমিটর ৩৫০ মুক্তনি হায়বদি থোপসি হয়িং অমগী মমিৎকা চাওবা হায়ফেৎ মান্নে। অদুনা লেবোরেটরিগী পেত্রিদিশ অমদা অসিগুম্বা থোপ চাম্মমুক য়াম্না লায়না হৌহনবা ঙম্মী। থোপশিংসি থা অনীমুক হৌহল্লবা তুংদা ন্যুরোন মখল মরিগা এষ্ট্রোসাইট (Astrocyte) অমদি ওলিগোদেন্দ্রোসাইট (Oligodendrocyte) হায়না খঙনবা সেল মখল অনীগা শেল্লকপা ঙমখি। ওলিগোদেন্দ্রোসাইটশিংনা অমুক ম্যেলিন (Myelin) শিং শেমগৎলকপা ঙল্লম্মী। ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিক ৱায়রশিংবু রবর, প্লাষ্টিক্কুম্বনা য়োমশিন্দুনা ইন্সুলেসন তৌবগুম, ম্যেলিননা এক্সোন (axon) শিংবু য়োমশিন্দুনা ইন্সুলেসন তৌরগা ন্যুরোনশিংগী মরক্তা থুনা কম্যুনিকেট তৌহল্লি।

থোপকী তোঙান তোঙানবা পার্টশিংগী মরক্তা ইলেক্ট্রিকেল সিগ্নেল থাদোক-থাজিন তৌনদুনা কম্যুনিকেট তৌবগী মওংসি ইলেক্ট্রোইন্সেফালোগ্রাম (EEG) গী মতেংনা খঙদোকপা ঙম্মী। অসুম্না থিজিল্লোয়শিংনা লেবোরেটরিদা হৌহল্লিবা থোপসিগীসু ঈ ঈ জিগী মতৌগুম্না ইলেক্ট্রোদশিং য়াওবা খূৎলাই অমগী মতেংনা ইলেক্ট্রোফিজিওলোজিকেল এক্টিভিটি য়েংলম্মী। মসিদা মখোয়না চাংয়েং ওইনা হীদাকসু হাপ্লম্মী। মতমসিদা ন্যুরোনশিংগী মরক্তা ইলেক্ট্রিকেল সিগ্নেল পীনদুনা কম্যুনিকেৎ তৌনবদু উরম্মী। মখোয়গী থোপসিগী মতেংনা অলজৈমর'স, পার্কিন্সন'স, মল্টিপল স্কেলরোসিসনচিংবা অনাবশিংবু লায়েংবদা হেন্না লাইহল্লগনি হায়রি। হারটুংগী মতুং ইন্না উচিগুম্বা শাশিংগী থোপশিংদা হীদাক থাদদুনা চাংয়েংশিং চথবদা মায় পাকখিবা চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরামঙামুক্তি মীওইবদা চাংয়েংবদা মায় পাকপা ঙমদবদগী অরেম্বদা মতম অমদি শেল য়াম্না মাঙঙি হায়রি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি লৈহন্দনবগীদমক ব্লুম্বর্গকী থিজিল্লোয়শিংনা ORGANOME হায়না খঙনবা কম্মর্সিএল কম্পেনি অমা লিংখৎতুনা চৎলিবা চহীসিগী হীদাকশিংবু চাংয়েংনবগীদমক থোপশিংসি পুথোকপা হৌরগনি হায়রি। অদুনা অসিগুম্বা অপীকপা থোপশিংসি থোপকী অনাবশিংগী মরমদা নৈনরিবা লেবশিংদা ফংহনবা ঙল্লগনি।

য়াম্না নৌবা অমদনা সিঙ্গাপুরগী সাইন্টিষ্টশিংনসু মীওইবগী মিদব্রেইনগা মান্নবা অপীকপা থোপ অমা পুথোকপা ঙমখ্রে হায়রি। ঙসিগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী তাইবঙসিদা ইন্টরনেটপু ইনফোর্মেসন সুপরহায়ৱে হায়না খঙনবগুম, মিদব্রেইনবু থোপকী ইনফোর্মেসন সুপরহায়ৱে হায়না খঙনৈ। মসিনা নাকোংনা তাবা, মীৎনা লেং-ওৎপা অমদি উবা অদুগা হকচাং লেং-ওৎপদা মতেং পাঙই। মিদব্রেইন্দা য়াওরিবা দোপামিনরজিক ন্যুরোনশিংনা দোপামাইন পুথোকই। মসিনা মোটোর কন্ট্রোল মোটিভেসন, রিৱার্দনচিংবা ব্রেইনগী মথৌশিংদা অচৌবা মতেং পাঙই। দোপামাইন হেঞ্জিন্না থাদোরক্লবদি মোটোর এক্টিভিটিদা অকায়বা পীরকই অদুগা হন্থনা থাদোরক্লগনা রিএক্সনশিং তপথরক্তুনা পারকিন্সন'স দিজিজগুম্বা অনাবশিং ওইরকই। করিগুম্বা মতমদা ন্যুরোমেলানিনন পুথোকপগী চাং হন্থরগসু অনাবসি ওইরকপা য়াই। মালেমগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ৭ তগীনা ১০ দি লায়নাসিনা নাই হায়না পানৈ। মরম অসিনা হন্দক এ*ষ্টার'স জীনোম ইনষ্টিট্যুট ওফ সিঙ্গাপুর, দ্যুক য়ুনিভর্সিটি অমদি নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপুরগী কোলাবোরেসন অদুগা সিঙ্গাপুরগী নেসনল ন্যুরোসাইন্স ইনষ্টিট্যুটনা পূন্না থিজিনমিন্নদুনা পুথোরক্লিবা মিদব্রেইনসিনা লায়নাসি লায়েংবদা কান্নবা কয়ামুক পীরগনি হায়রি। থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা লেবোরেটরিদা হৌহল্লিবা মিনি ব্রেইনসি মিলিটরি ২-৩ মুক চাওই। মসিনা ন্যুরোমেলানিনন অমদি দোপামাইন পুথোকপা ঙম্মী। মসিবু মখা তাবা ন্যুরো-দিজনরেটিভ দিজিজশিংগী মরমদা খঙদোকপা অমদি হীদাক-লাংথক্লচিংবা থাদুনা লায়েংবদা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।